অঙাংশিংগী বাইবল

খুদোল তমজরি

# অহানবা ইস্টর
# (যীশু হিংগৎপা)



অইবা: Edward Hughes

অয়েকপা: Janie Forest

শেমদোকপা: Lyn Doerksen

হন্দোকপা: মধুচন্দ্রা মোইরাংথেম

পুথোকপা: Bible for Children
www.M1914.org

©2019 Bible for Children, Inc.
অয়াবা পীবা: লাইরিক মচাকশিং অসি নহাক্না নমথোকপা য়াই
অদুবু য়োন্দুনা শেন্দান লম্বী ওইনা শীজিন্নবা য়াদে।

নিল-খোংলবা চিঙ অমগী নাকন্দা নুপী অমা লেপলম্মি, মহাক্কী মমিৎ য়াম্না তমথীরবা মিৎয়েং অমদা য়েংদুনা লৈরম্মি। মহাক্কী মচানিপা অদু শিদৌগী তৌরম্মি। মমা অদু মেরীনি, অমসুং যীশুবু উ-কারোং মথক্তা য়োৎপী থারিবা মফম অদুগী মনাক্তা লেপতুনা লৈরম্মি।





মতৌ করম্না মসি থোকলিবনো? যীশুগী ফজরবা পূন্সি অসি অশুক ৱানা লোইশিনগদৌরিবনো? মতৌ করম্না শেম্বীবা মপুনা মহাক্কী মচানিপাবু উ-কারোং মথক্তা য়োৎপী থাদুনা শিহনগদৌরিবনো?

যীশু মহাক মশাগী মরমদা অশোইবা তৌখিবা করি লৈবগীনো? শেম্বীবা মপু মায়থীরব্রা?



অশোইবা নত্তে, মায়থীবা নত্তে!
শেম্বীবা মপু মায়থীদে। যীশুনা
অশোইবা অমতা তৌখিদে।
ফত্তবা মীনা যীশুবু হাৎকনি হায়বা
মহাক মতম পুম্বদা খঙলম্মি।
যীশুনা অঙাং ওইরিঙৈদা অহল
ওইরবা সিমিওন্না মেরীদা তুংদা
অৱাবা কয়া থেংনগনি হায়খি।



যীশু হাৎত্রিঙৈ
নুমিৎ খরগী মমাংদা,
নুপী অমা লাক্কুনা
যীশুগী খোঙদা মনম
নুংশিবা থাউ তৈরম্মি।
মদুদা যীশুগী তুংইনবা
অমনা, “নুপী অসিনা
অরেম্বদা শেল মাঙহল্লি” হায়না
ৱাকৎলম্মি। “মহাক্না তৌরিবা অসি
অফবা থবকনি” হায়না যীশুনা হায়খি। মহাক্না
মদু ঐবু ফুম্নবা তৌরিবনি।” কয়াদা ঙকলিবা ৱাহৈনো!

অসিগী মতুংদা, যীশুগী
তুংইনবশিংগী মরক্তগী, যুদাসনা
যীশুবু অথোইবা অমাইবদা লুপাগী
শেল ময়েক 30 গী দমক
য়োন্থোকপা য়াখি।





যিহুদিশিংগী অরান চাকখাঙবদা, যীশু মহাক্কী তুংইনবশিংগা লোইননা অরোইবা চারা চামিন্নরম্মি। মহাক্না মখোয়দা শেম্বীবা মপুগী মরমদা অমসুং মহাকপু নুংশিবশিংদা পিরম্বা ৱাশক্কী মরমদা য়াম্না মরু ওইবা কয়া হায়রম্মি।





অদুগা যীশুনা তল অমসুং তেঙ্গোং মখোয়দা য়েল্লম্মি। যীশুগী ঈ অমসুং হকচাংনা অয়োন-অরানগী ঙাকপিবা পুরকই হায়বা মসিনা নিঙশিংনবনি।

অদুগী মতুংদা, যীশুনা মহাক্কী মরুপশিংদা হায়রম্মি মদুদি মহাকপু মরৌ তৌদুনা পিথোকলমগনি অদুগা মখোয় লোইনা চেনখিগনি। “ঐদি চেল্লোই হায়না পিতরনা কন্না হায়খি”। “য়েল খোংদ্রিঙৈ মমাংদা নহাক ঐবু অহুমলক শক খঙদে হায়গনি”
হায়না যীশুনা
হায়রম্মি।





নুমিৎ অদুগী অহিংদা, গেৎসমনি
লৈকোন্দা যীশু হায়জনবা চৎলম্মি।
মহাক্কা লোইনবা মহাক্কী তুংইনবশিং
তুমথরম্মি। “হে ঐগী ইপা ইবুংঙো,”
যীশু হায়জখি, “...তেঙ্গোৎ অসি
ঐঙোন্দগী লৌথোকপিয়ু। অদুম
ওইনমক ঐগী অনিংঙবা নত্তদুনা
নহাক্কী অনিংঙবা ওইহনবিয়ু”।

খঙহৌদনা, যুদাসনা লমজীংদুনা, মী ময়াম অমা লৈকোন মনুংদা চঙলকলম্মি। যীশুনা অথিঙবা পিখিদে অদুবু পিতরনা নিপা অমগী মনা ককথৎখি। যীশুনা নিপা অদুগী মনাদা তপ্না শোক্তুনা ফহনখি।

মহাকপু ফাবা হায়বা অসি শেম্বীবা মপুগী অনিঙবনি হায়বা যীশু মশানা খঙলম্মি।



মীয়াম অদুনা যীশুবু অথোইবা অমাইবগী ময়ুমদা পুখি। মফম অদুদা, যিহুদিগী লুচীংবশিংনা যীশু শোইদনা শীবা তারে হায়খি। অনকপদা, মনাইশিংনা মৈ থাদুনা লৈরিবা অদুগী নাকন্দা পিতর লেপতুনা য়েংদুনা লৈরম্মি।



মীশিংনা পিতরদা অহুমলক য়েংলদুনা হায়রকখি, “নঙসু যীশুগা লোইনরম্বা নত্রা!” পিতরনা অহুমলক যীশুনা হায়খিবা অদুগা চপ মান্ননা য়াখিদে। পিতর শাপ ফঙজগে অমসুং ৱাশক ফাওবা ৱাশকখি।



# কুকা-রূ-কু



অদুগী হেক মতুংদা, য়েল খোংলকখি।
খোঞ্জেল অদু পিতরদা শেম্বীবা মপুগী
খোঞ্জেল ওইনা তারম্মি। যীশুগী
ৱাহৈশিং নিঙশিংলদুনা, পিতর থম্মোয়
শোক্লা কপলম্মি।



যুদাস পূক্লিং য়াম্না শোকলম্মি। যীশুগী মরাল
লৈতে অমসুং অয়োন-অরান নত্রগা অরানবা
অমতা তৌখিদে হায়না মহাক খঙলম্মি।
যুদাস লুপা ময়েক 30 অদু হন্দোক্লবা
পিবা চৎলম্মি, অদুবু অমাইবশিংনা
মদু লৌখিদে।



যুদাস শেল অদু
লংথোকলমদুনা, মশা
থৌরী য়ান্দুনা শিনবা
চৎলম্মি।


অমাইবশিংনা যীশুবু রোমগী লৈঙাক মপু
পীলাৎকী মাংদা পুরকখি। পীলাৎনা হায়রম্মি,
“ঐনা নিপা অসিদা মরাল অমতা ফঙদে।” অদুবু
মীয়াম অদুনা খোঞ্জেল ৱাংনা,
“মবু পাং তীংদুনা হাৎলু! মবু
পাং তীংদুনা হাৎলু!”
লাউরকখি।

অদুবু অরোইবদা পীলাৎনা যীশুবু উ-কারোং মথক্তা হাৎনবা য়াথং পিখি। লান্মীশিংনা যীশুবু কিন্না থীল্লম্মি, মমাইদা তিন শীৎচিল্লম্মি, অমসুং থিনা ফুখি। অদুগা মখোয়না মচিন তুম্বা তিংখংগী লুহুপ শেমদুনা মহাক্কী মকোক্তা কন্না নমশিন্দুনা উপশিলম্মি। অদুগী মতুংদা মখোয়না মহাকপু উ-কারোংদা য়োৎপি থাখি।



যীশু মতৌ অসুন্না শিগনি হায়বা মহাক খঙলম্মি। মঙোন্দা থাজবা অয়োন-অরান তৌবা মীশিংগী দমক মহাক্কী শিবিবনা কোকপিবা পুরক্কনি হায়বা খঙলম্মি। মরাল লৈরবা মী অনিসু যীশুগী নাকন্দা নুমিৎ অদুদা ঊ-কারোংদা পাং তিংলম্মি। মখোয় অনিদুগী মনুংদা অমদি যীশুদা থাজরম্মি অদুগা সোরারেন্দা কাখি। অতোপ্পা অদুদি থাজরমদে।



মতম শাংনা ৱানা খাঙলবা মতুংদা যীশুনা, “মসি লোইরে,” হায়রম্লগা মহাক থৱায় থাখি। মহাক্কী থবক মপুং ফানা লোইরে।



অদুগী মতুংদা রোমগী লান্মীশিংনা মোংফম
অদু ফজনা খুমজিন্দুনা চেকশিন্না
ঙাক-শেল্লম্মি। মফম অদুদা
কনা অমতা চঙবা নত্রগা
থোকপা ঙম্লমদে।



মসিনা ৱারী অসিগী অরোইবা ওইরম্লবদি, কয়াদা অৱাবা ওইরমগনি। অদুবু শেম্বীবা মপুনা অঙকপা থবক অমা তৌখি। শিবা অদুনা যীশুগী অরোইবা ওইখিদে!



চয়োলগী অহানবা নুমিৎকী অঙনবা অয়ুক্তা, যীশুগী
তুংইনবা খরনা মোংফমদা খুমজিন্দুনা
থমলিবা নুং অদু হাংদোক্তুনা লৈরম্বা
থেংনখি। মখোয়না মনুংদা
চঙদুনা য়েংবা মতমদা,
যীশু মোংফম মনুংদা
লৈরমদে।



মোংফম মনাক্তা নুপী অমা, কপতুনা লৈরম্মি।
যীশুনা মশাবু নুপী অদুদা উহল্লম্মি! মদু উবদা
মহাক হরাউদুনা যীশুগী অতোপ্পা
তুংইনবশিংদা পাউ তম্নবা চেনখি। **যীশু
হিংলে! যীশু শিবদগী হিংগৎলে!"**



য়াম্না থুনা যীশু তুংইনবশিংগী মনাক্তা লাকখি, অদুগা খুৎতা য়োৎপি থাখিবা মফমশিংদু মখোয়দা উহল্লম্মি। মদু অচুম্বা ওইরম্মি। **যীশু অমুক হিংলে!** পিতরনা যীশুবু মশক খঙদে হায়খিবা অদু ঙাকপিখি, অমসুং মহাক্কী তুংইনবশিংদা মহাক্কী মরমদা মী খুদিংদা হায়দোকউ হায়না হায়রম্মি। অদুগী মতুংদা মহাক্না লাকখিবা মফম সোরারেন্দা অমুক হনখি।

# অহানবা ইস্টর (যীশু হিংগৎপা)

শেম্বীবা মপুগী ৱাহৈ, বাইবলদা য়াওবা ৱারী

অসিদা ফঙই

মথি 26-28, লুক 22-24, যোহান 13-21

“নহাক্কী ৱাহৈ চঙলকপদা মঙাল ফঙই ।”
ঈশৈ লাইরিক 119:130


অরোইবা

বাইবলগী ৱারী অসিনা মতিক-মঙালনা
থল্লবা ঐখোয়গী শেম্বীবা মপুগী মরমদা অমসুং ইবুংঙো মহাকপু
ঐখোয়না মশক খঙবা মহাক্না পাম্মি হায়বগী মরমদা ঐখোয়দা তাকপি।

শেম্বীবা মপুনা অয়োন-অরান হায়না কৌবা ফত্তবা থবকশিং ঐখোয়না তৌরে হায়বা ইবুংঙো মহাক্না খঙই। অয়োন-অরানগী অতৌমলদি শিবনি, অদুবু শেম্বীবা মপুনা নহাকপু অসুক্কী মতিক নুংশিবী মরম অদুনা মহাক্কী অমতা ঙাইরবা মচানিপা যীশুবু নহাক্কী অয়োন-অরানগী উশিন ওইনা উ-কারোং মথক্তা শিবিনবা থাবিরে। অদুগা যীশুনা অমুক শিবদগী হিংগৎতুনা সোরারেন্দা কাখি! নহাক্না যীশুবু থাজরবদি অমসুং নহাক্কী অয়োন-অরানশিং কোকপিয়ু হায়না মঙোন্দা হায়জরবদি, মহাক্না শোইদনা কোকপিগনি! মহাক নঙগী পূন্সিদা লাক্কনি অমসুং মহাক্না লোইননা লোম্বা নাইদনা হিংমিন্নবা ফঙগনি।

নঙনা মসি অচুম্বনি হায়না থাজরবদি, অসুম্না শেম্বীবা মপুদা হায়জৌ: নুংশিরবা যীশু, ঐ নহাকপু শেম্বীবা মপুনি হায়বা থাজে, নহাক্না তাইবংপান্দা মী ওইনা লাক্তুনা ঐগী অয়োন-অরানগী দমক শিবি অমসুং শিবদগী হিংগৎখি। ঐগী পূন্সিদা লাকপিয়ু অদুগা ঐগী অয়োন-অরানশিং ঙাকপিয়ু, অদুগা ঐ অনৌবা পূন্সি হৌজিক ফঙজগে অমসুং নহাক্কা লোইননা লোম্বা নাইদনা হিংবা ফঙজগে। নহাক্কী হায়বা ইনবা নচা অমা ওইনা হিংবা ঙম্নবা ঐগী ইতেং পাংবিয়ু। অমেন।

নুমিৎ খুদিংগী বাইবল পাও অমসুং শেম্বীবা মপুদা হায়জৌ!   যোহান 3:16